# কোলিসনগী এয়র ষ্ট্রাইক্তা সিরিয়ন লান্মী ৬০ হেন্না শিখ্রে, ১০০ রোম শোকখ্রে

## রসিয়ানা তকশিনবদগী সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী মীফম পাঙথোকখ্রে



বৈরুট/মোস্কো, সেপ্টেম্বর ১৮ : যু এসনা লুচিংবা কোলিসননা থাংজ নুমিৎতা চথখিবা এয়রষ্ট্রাইকশিংদা সিরিয়ন গভর্ণমেন্টকী লান্মী ৬২ শিখ্রে অমসুং ১০০ শোকখ্রে হায়না মরাল শীখিবা মতুংদা সিরিয়াদা এয়রষ্ট্রাইক চথবগী থবক লেপ্লে হায়না যু এস মিলিটরিনা হায়রি।

যু এস সেন্ট্রেল কম্মান্দনা রসিয়নশিংনা শীরকখিবা মরালশিং অদু ঙসি নুংথিল অচুম্বনি হায়না ফোঙদোকখ্রে তৌইগুম্বসুং এটেকশিং চথখি হায়বদু চুম্লবসু এটেকশিং অদুদা শিখিবশিং অমসুং শোকখিবশিংদু চপ চানা মখোয়গী খুৎনি হায়নদি ক্লেম তৌখিদে হায়রি।

‘থাংজ নুমিৎকী অঙনবদা কোলিসনগী এয়রষ্ট্রাইকনা সিরিয়াগী দেয়র অজ জৱারগী খা থংবদা এয়র-ষ্ট্রাইকশিং চথখি। মতম শাংনা ট্রেকিং তৌরক্লবা মতুংদা দৈইশকী ফাইটিং পোজিসনদা ষ্ট্রাইক তৌরিবনি হায়বগী থাজবগা লোয়ননা এটেক অদু চথখিবনি হায়না যু এস সেন্ট্রেল কম্মান্দগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

‘টার্গেট তৌরিবা পার্সনেল অমসুং ভেহিকলশিং অদু সিরিয়ন মিলিটরিগী শরুকশিং ওইবা য়াই হায়না রসিয়ন ওফিসলশিংনা কোলিসনগী ওফিসলশিংদা পাউ পীবদগী কোলিসনগী এয়র ষ্ট্রাইক্তু খুদক্তা লেপখি।’

ওবামা এদমিনিষ্ট্রেসনগী সিনিয়র ওফিসল অমনা এ বি সি ন্যুজদা হায়খি মদুদি, য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা রসিয়ন ওফিসলশিংগী খুথাংদা সিরিয়ন গভর্ণমেন্টদা শোয়খিবগীদমক্তা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখ্রে।

‘অতম্মনা চথখিবমক্তি নত্তবা থৌদৌশিংদা আই এস আই এলগা লান্থেংনরিবা সিরিয়ন ফোর্সশিংগী মীওই কয়া মথৱায় মাংহনখিবগীদমক্তা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা রসিয়ন ফেদরেসনগী খুথাংদা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখ্রে’ হায়না এদমিনিষ্ট্রেসনগী ওফিসল অদুনা হায়খি। ‘যু এসনা আই এস আই এল অমসুং অল-কাইদাগী মায়োক্তা মখা তানা মিলিটরি এক্সন লৌখৎপগা লোয়ননা খুৎ থোক্লবা লেপ্পগী চৎন-পথাপশিং মখা তানা ঙাকখিবনি।’

যু এস দিফেন্সকী সিনিয়র ওফিসল অমনা এ বি সি ন্যুজদা হায়খি, ইন্টলিজেন্সনা নুমিৎ খরনি চুপ্না খোঙ্গুল লীরকখিবা অমসুং আই এস আই এলনি খন্দুনা কুপশেন শেন্নরকখিবা ভেহিকল অমসুং পার্সনেল ময়ামদা টার্গেট তৌখিবনি। ভেহিকল ময়ামগী মরক্তুদা য়ামদ্রবদা টেঙ্ক অমা য়াওখি। রসিয়নশিংনা খঙহল্লকপদগী কোলিসন্না এক্সন লেপত্রিঙৈগী মমাঙদা থৌরাং তৌখিবা ষ্ট্রাইক পরিং অমগী মনুংদা শুপ্নগী ষ্ট্রাইক অমখক্তমক চথখি হায়না সিনিয়র ওফিসল অদুনা হায়খি। অহানবগী এয়র ষ্ট্রাইক অদুনা ভেহিকল খরা অমসুং পার্সনেল কাঙবুশিংদা হিট তৌখি হায়না ওফিসল অদুনা মখা তাখি।

থৌদোক অদুনা যু এসনা সিরিয়াদা টেররিষ্টশিংগী মায়োক্তা ষ্ট্রাইকশিং চথবদা রসিয়াগা কোওর্দিনেট তৌনবা হোৎনদে হায়বসি তাক্লে হায়না রসিয়ন দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা হায়রি।

‘টার্গেটকী মফম শোয়বদগী মসিগী এয়র ষ্ট্রাইক অসি চথখিবা ওইরবদি, মসি সিরিয়াদা ওপরেট তৌরিবা টেররিষ্ট গ্রুপশিংগী মায়োক্তা থবকশিং পায়খৎপদা যু এসকী মায়কৈদগী রসিয়নশিংগা কোওর্দিনেট তৌনবা হোৎনদে অমদি কোওর্দিনেট তৌনবগী ৱাফমদা য়াদে হায়বগী ময়েক লারবা খুদমনি’ হায়না রসিয়ন দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন মেজর জেনরেল ইগোর কোনাশেনকোভনা ঙসি হায়খি।

এয়র ষ্ট্রাইক অদু চথদ্রিঙৈগী মমাঙদা রসিয়নশিংদা মাঙজৌননা চেকশিন-ৱা পীখি হায়রদুনা যু এস সেন্ট্রেল কম্মান্দনা রসিয়ন ক্লেম অদু য়াখিদে।

‘কম্বাইন্দ এয়র ওপরেসন্স সেন্টরগী কোলিসন মেম্বরশিংনা রসিয়নশিংদা চথরক্কদৌরিবা এয়র ষ্ট্রাইক অদুগী মরমদা মাঙজৌননা পাউ পীখি’ হায়না সেন্ট্রেল কম্মান্দগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

যু এস সেন্ট্রেল কম্মান্দগী ৱাফমসি লৈদুনসু রসিয়নশিংনা মখোয়গী মীচং ওইবা সিরিয়নশিংবু নাকল অনীনা নিংথৌকাবদগী চৎনহনবা হৌখিবা সিজফায়র মেন্টেল তৌনবা হোৎনরিঙৈদা যু এস মিলিটরিনা হাৎখ্রে হায়না রসিয়নশিংনা ক্লেম তৌরি।

সিরিয়ন মিলিটরিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি মদুদি, লালহৌবা ফাইটরশিংনা সিরিয়ন ক্রুপশিং কোইশিনখ্রে অমসুং যু এসকী ষ্ট্রাইক অদুনা আই এস আই এলগী টেররিষ্টশিংনা মনাক নকপা চীংথক্কী পোজিসন অমদা এটেক তৌবা য়ানবগী লম্বী ফাৎখ্রে।

পেন্টাগননা এটেক অদুগী অকুপ্পা মরোলশিং পীখিদ্রবসু এয়র ষ্ট্রাইক অদু যু এসকী জেট মরি - এফ-১৬ ফাইটর অনী অমসুং এ-১০ গ্রাউন্দ এটেক এয়রক্রাফট অনীনা ইরাকি বোর্দরদগী পায়খ্রগা চথখিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা থৌদোক্তুগী মতাংদা খন্ননবা রসিয়ানা ইম্মরজেন্সি মীফম পাঙথোক্লবা দিমান্দ তৌখিবগা লোয়ননা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসপু সিরিয়াগী দিল অদু অরেম্বা তাহন্নবা হোৎনরে হায়না মরাল শীখিবদগী থাংজগী অহিংদা মেম্বর ১৫ লৈবা সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী মীফম পাঙথোকখ্রে।

## টুনিজিয়াদা ইম্মরজেন্সি থা ১ গা শাংদোকখ্রে

টুনিস, সেপ্টেম্বর ১৮ : হৌখিবা থাদা প্রসিদেন্টকী গার্দতা চথখিবা শাথিরবা এটেক অমগী মতুংদা চৎনহল্লকখিবা ইম্মরজেন্সিগী ফীভম অদু মখা তানা থা অমগা শাংদোক্লগনি হায়না টুনিজিয়ানা হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা লাউথোকখ্রে।

প্রেমিয়র অমসুং নেসনেল এসেমব্লিগী মকোক্কা তানরবা মতুংদা প্রসিদেন্ট বেজি কাইদ ইসেবসিনা খোঙথাং অদু সেপ্টেম্বর ১৯ দগী থা ১ গা মখা তানা শাংদোক্লবা ৱারেপ লৌরে হায়না ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

লোনা ওথোরিটিশিংবু ঈরাং থোক্লকপা য়াবা অমসুং ঈং-চিকপা ফীভম থুগাইগদবা ষ্ট্রাইকশিং অমসুং মীটিংশিং বেন তৌবা য়াহল্লি, থিয়েটরশিং অমসুং বারশিংবু মতম খরা থিংজিনহনবা অমসুং প্রেস অমসুং পব্লিকেসন মখল খুদিংমকপু কনট্রোল তৌনবা খোঙথাং খুদিংমক লৌখৎপা ঙমহল্লি।

মতম শাংনা দিক্টেটর ওইরকখিবা জিনে এল অবিদিন বেন অলিবু মফমদগী চিংথুখিবা কুমজা ২০১১ গী লালহৌদগী টুনিজিয়াদা জিহাদিষ্টকী ঈরাং পরিং অমা থোক্লকখি।

হৌখিবা চহীদা ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপনা টুনিসতা লৈবা নেসনেল বার্দো ম্যুজিয়ম অমসুং বিচ রিজোর্ট অমদা এটেকশিং চথখি অমসুং টুরিষ্ট ৫৯ হাৎখি।

তুংদা ওথোরিটিশিংনা কর্ফিউ লৌথোকখি তৌইগুম্বসুং ইম্মর-জেন্সিদি মখা তানা থমখি। হৌজিক ইম্মরজেন্সি অদু তরুক্লকশুবা ওইনা মখা শাংদোক্লগনি।

হৌখিবা মার্চ থাদা জিহাদিষ্ট দজন কয়ামুক্না লিবিয়াগী বোর্দরদা লৈবা বেন গুয়রদেন টাউনদা সিক্যুরিটি ইন্সটোলেসনশিংদা এটেক তৌখি।

## অমুবশিংনা হিলারি ক্লিন্টনদা ভোট পীদ্রবদি ঐঙোন্দা ঈকায়বা পীবগা মান্নগনি : ওবামা



ৱাশিংটন, সেপ্টেম্বর ১৮ : করিগুম্বা অমুবা ভোটরশিংনা হিলারি ক্লিন্টনবু শৌগত্তবা তারবদি মহাক্কী লিগেসিদা অতম্মনা ঈকায়বা পীবা ওইনা থোক্কনি হায়রদুনা যু এসকী প্রসিদেন্ট বারাক ওবামানা অফ্রিকান-অমেরিকান কম্ম্যুনিটিদা দোনাল্ড ট্রম্প শৌগৎপা তোক্লনবা তকশিনখ্রে।

‘করিগুম্বা কনাগুম্বনা মখোয়গী ভোটতু থোইদোক্লা মরু ওইদে, ঐখোয়না মীখলদা খল্লিবা মীশক কনানো হায়বসি মরু ওইদে হায়নবা ঐহাক্লা তাবা তারবদি নখোয়গী পুৱারী পারগা খঙউ হায়নিংই। তশেংনমক নখোয়না খনগদৌরিবা মীশক অদু য়াম্না মরু ওই, খল্লিবা মীশকসি কনানো হায়বদু মমুৎ তানা খঙবগী তঙাই ফদবা লৈ’ হায়না ওবামানা থাংজ নুমিৎখী অহিংদা প্রসিদেন্ট ওইরিঙৈ মনুংদা অরোইবা ওইনা কোংগ্রেস্নেল ব্লেক কোক্কস গালাদা ৱা ঙাঙলদুনা হায়খি।

‘করিগুম্বা মসিগী কম্ম্যুনিটি অসিনা মখোয়গী গার্দপু মীরাইবা ওইরবদি অমসুং মীখল অসিদা কম্ম্যুনিটি অসিনা এক্টিভেট তৌবা ঙমজদ্রবদি, নখোয়না ঐহাকপু তশেংনা ঈকায়বা পীবা পাম্বনি হায়না লৌগনি, অদুনা ভোট চুম্না পীয়ু’ হায়না ওবামানা হায়খি।

প্রসিদেন্টনা চেকশিন-ৱা পীরদুনা হায়খি মদুদি, নভেম্বর ৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলদা মহাক্কী মমিং বেলোটতা উররোইদবা লৈবগা লোয়ননা হৌখিবা চহী ৮ অসিদা লৈবাক অসিদা লৈখিবা চাউখৎপগী প্রোগ্রেস অপুম্বা অরেম্বা তাখিগদ্রা হায়বগী অকিবা লৈরে।

## ন্যু য়োর্ক সিটিগী পোকখায়বগী থৌদোক্তা য়ামদ্রবদা মীওই ২৯ শোকখ্রে

ন্যু য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ১৮ : থাংজ নুমিৎকী অহিংদা মেনহাটানগী চেলসি নৈবরহুদতা পোকখায়বগী থৌদোক অমা থোক্তুনা য়ামদ্রবদা মীওই ২৯ শোকহনখিবা মতুংদা ন্যু য়োর্ক সিটি পুলিসনা সর্ভিলেন্স ভিদিও য়েংশিনখিবগা লোয়ননা মীয়ামদগী মতেং নিখ্রে। পোকখায়বদু অতম্মনা থোকহনখিবা মাল্লি তৌইগুম্বসুং টেররিজমগদি মরী লৈনদে হায়না মেয়র বিল দি ব্লাসিওনা ফোঙদোকখি হায়রি।



ব্লাষ্ট অদুগী মতুংদা চেলসিদা থৌদোক থোকফম মনাক্তা পাঙথোকখিবা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা দি ব্লাসিওনা ‘ঙসি ন্যু য়োর্ক সিটিদা য়াম্না ফত্তবা থৌদোক অমা থোক্লে’ হায়খি। ‘তাঞ্জা অসিদা ঐখোয়দা তাংদাংবা মওংদা কিহল্লকপা অমত্তা লৈতে হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

পোকখায়বদুগী মরম চপ চানা লেপত্রি হায়না ন্যু য়োর্ক সিটি পুলিসকী কম্মিস্নর জেমস ওনিলনা হায়খি।

‘৬শুবা এভেন্যু অমসুং ৭শুবা এভেন্যুগী মরক্তা ব্লোক খরা লাপথোক্লা ২৭শুবা ষ্ট্রীটতা অনীশুবা দিভাইস ওইরম্বা য়াবা অমা লৈরমখি হায়না এন ৱাই পি দিগী স্পেসিয়ল ওপরেসন্স দিভিজননা নুমিদাং পুং ১১ রোম তাবদা হায়খি। ওথোরিটিশিংনা প্রেসর কূকরগী দিভাইস অমা লৌথোকখি। দিভাইস অদু তেপ য়াওবা অঙৌবা প্লাষ্টিক খাউ অমদা ৱেয়ারিং অমসুং সেল ফোন অমা অমসুং অতৈ ইলেক্ট্রোনিক দিভাইসকা লোয়ননা য়াওরমখি।

পুলিসনা হায়খি, মথক্তা পল্লিবা দিভাইস অদু ব্রোনস্ককী এন ৱাই পি দিগী ফায়ারিং রেঞ্জদা পুখি। পুলিসনা মমাঙদা দিভাইস লৈরম্লিবা ব্লোক অদুদা লৈরিবা মীশিংবু ২৭শুবা ষ্ট্রীট মায়োক্লরিবা থোংনাউশিংদগী থাপতোক্লা লৈনবা পাউতাক পীখি।

প্রেসর কূকর অদু থেংনরকপদগী এরিয়া অদুদা অতৈ চিংননিংঙাই ওইবা পেকেজশিং অমসুং থৌদোকশিং থেংনখি তৌইগুম্বসুং থৌদোকশিংদু খুদোংথীনিংঙাই ওই হায়না লৌখিদে।

তরুকশুবা অমসুং তরেৎশুবা এভেন্যুশিংগী মরক্তা ২৩শুবা ষ্ট্রীটতা থোকখিবা অচৌবা পোকখায়বা অদু মনাক্তা গাড়ী থৌরিবা পুলিস ওফিসরশিংনা নুংথিল পুং ৮.৩০ রোম তাবদা উবা ফংখি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি।


ফায়র দিপার্টমেন্টনা পোক-খায়বদু তাখিবগা লোয়ননা খুদক্তা রেস্পোন্দ তৌখি।

অশোকপা মীওই ২৯ দুগী মনুংদা অমদি ফীভম খরা লুনা লৈ হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি।

ওফিসলশিংনা হায়খি মদুদি, এন ৱাই পি দিনা ভিদিও অমা রিভ্যু তৌরি অমসুং দি ব্লাসিওনা ৱিটনেসশিং নৎত্রগা মীয়ামদা ঈ-পাউ লৈরবদি থোক্লক্তুনা তম্নবা আপিল তৌখ্রে।

লো ইনফোর্সমেন্ট ছোর্সশিংনা পোখায়বদু দম্পষ্টর অমদা থোকখি হায়না ফোঙদোকখি অমসুং এন ৱাই পি দি সি কাউন্টর টেররিজম ব্যুরোনা ট্বীটরদা মশুপ-মশুপ শুপচিল্লবা দম্পষ্টর অমগী ফোটো উৎখি। এন ৱাই পি দিগী বোম স্কৱাদনা এরিয়া অদুদা থিবা-হুম্বা অমসুং গার্বেজ কেনশিংদা অতৈ পোকখায়বা য়াবা পোৎশকশিং চেক তৌখি হায়রি।

## হান্নগী ফ্রেঞ্চ প্রসিদেন্ট ঝাক শীরাক লং ইনফেক্সন লৈবদগী লায়কন্নখ্রে



পেরিস, সেপ্টেম্বর ১৮ : মশাগী চহী ৮৩ শুরবা ফ্রান্সকী হান্নগী প্রসিদেন্ট ঝাক শীরাক লং ইনফেক্সন অমগা মরী লৈননা নোংমাইজিং নুমিৎতা হোস্পিটালদা লায়কন্নখ্রে হায়রি।

‘কুমজা ১৯৯৫ দগী ২০০৭ ফাওবা ফ্রান্সকী প্রসিদেন্ট ওইখিবা শীরাক ঙসি অয়ুক পেরিসকী হোস্পিটাল পিটি-সলপেত্রিরিদা লং ইনফেক্সনগীদমক্তা লায়েংনবা পুখৎখি অমসুং মহাক নুমিৎ খরনি হোস্পিটাল অদুদা লৈগনি’ হায়না শীরাক্কী মমাকনুপা ফ্রেদরিক সালাট-বারৌক্সনা এ এফ পিদা হায়খি।

চৈরকসিদা ফ্রেঞ্চ চেন্নেল বি এফ এম টি ভিগীদমক্তা ইলাবে ইন্সটিট্যুটনা কন্দক্ট তৌখিবা সর্ভে অমনা ফ্রেঞ্চ সিটিজন ১০ গী মনুংদা নিপান্না হান্নগী প্রসিদেন্ট নিকোলাস সার্কোজি কুমজা ২০১৭ তা অমুক হন্না ফ্রেঞ্চ প্রসিদেন্ট ওইনা এলিজী পেলেসতা হল্লকহনবা পামদে হায়বসি উৎখ্রে।

ফিগরশিং অদু সার্কোজিনা কুমজা ২০১৭কী প্রসিদেন্সিয়ল মীখলদা প্রসিদেন্টকী ফম তান্ননবা ৱারেপ লৌরে হায়না লাউথোকখিবা মতুং নোংমা লৈরগা ফোঙখিবনি হায়না ঈ এফ ঈ ন্যুজনা হায়খি। সর্ভে অদুদা শরুক য়াখিবা রেস্পোন্দেন্ট ১০০০ গী মনুংদা চাদা ৭৯ না ফ্রেঞ্চ প্রসিদেন্সিয়ল মীখলদা সার্কোজিনা শরুক য়াবগী ৱাফম অসি মখোয়না শৌগৎতে হায়খি।

য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ফোঙগদৌরিবা ‘খুদিংমক ফ্রান্সকীদমক’ হায়বা মহাক্কী লাইরিক্তা সার্কোজিনা প্রসিদেন্টগী ফম অমুক হন্না তান্নগে হায়বগী ফীরেপ লাউথোকখি।

হান্নগী প্রসিদেন্ট অসিনা মহাক্কী ওফিসল ফেসবূক পেজদা অনৌবা লালসিগীদমক্তা মহাক্কী পাঙ্গল মতীক চানা লৈ হায়না মহাক্লা লৌই হায়না ফোঙদোকখি। ফ্রান্সনা মথং চহীগী এপ্রিল ২৩ দা প্রসিদেন্সিয়ল মীখল অদুগী অহানবা রাউন্দ পাঙথোক্কনি, মীখলগী অনীশুবা রাউন্দ অদুনা কুমজা ২০১৭ কী মে ৭ তা পাঙথোক্কনি।

## ৱার্নিং তৌবদগী পেরিসতা সিক্যুরিটি এলার্ট ইস্যু তৌখ্রে

পেরিস, সেপ্টেম্বর ১৮ : নোংমৈ কাপ্পগী পাউ খরগী মতুংদা গভর্ণমেন্টগী মায়কৈদগী মীৎকুপ-নাহুম শিংনবা আপিল তৌখিবগা ঈরোয়ননা ফ্রেঞ্চ পুলিসনা পেরিসকী মথৌ চিনবা সোপ্পিং এরিয়া অমদা থোমজিনখ্রে হায়রি। মিদিয়াগী পাউশিংনা চর্চ অমদা এটেক চথরকপা য়াই হায়বগী অকিবা ফোঙদোক্লখি।

ঙসি নুংথিল কেপিটেলগী ময়ায়দা লৈবা লে হাগিজ (ফার্ষ্ট দিষ্ট্রিক্ট) তা পুলিসকী ওপরেসন অমা হৌখি অমসুং মীশিংদা এরিয়া অদু থাদোক্লবা খঙহনখি।

ৱিটনেসশিংনা নোংমৈ কাপ্পগী পাউ পীখি অমসুং ওফিসরশিংনা মীয়ামদা এরিয়া অদু থাদোক্লবা হায়খি। চাটলেট নৈবরহুদা লৈবা সেন্ট লিয়ু চর্চতা পুলিস দিপ্লোই তৌখ্রে হায়না ফ্রেঞ্চ গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোকখি।

তৌইগুম্বসুং ওফিসারশিংনা তুংদা ওপরেসন অদু লোইরে হায়খি অমসুং খুদোংথীবা থোকপা য়াবগ মমি লৈতে হায়খি।

ফ্রেঞ্চ মিদিয়াগী মতুং ইন্না টেলিফোনদা লৌনমগ পাউ অমা শন্দোরকপদগী চেকশিন-থৌরাংশিং অদু লৌখৎখিবনি।

নীসতা মীয়াম তিনবা মফমদা ট্রক অমনা মীওই কয়া থোমদুনা অমসুং তক্তুনা হাৎখিবা য়াওনা হৌখিবা থা খরা অসিদা টেরর এটেক কয়া চথখিবদগী ফ্রান্সনা মীৎকুপ-নাহুম শিংনা লৈরকখিবনি।



HL-B/3268/19/08-18/09

## EMPLOYMENT NEWS

### Navodaya Vidyalaya Samiti – NVS Recruitment 2016 – 2090 Assistant Commissioner, Principal, PGTs, TGTs, Miscellaneous Teachers & TGTs (III Language) Vacancies – Last Date 09 October

**NVS Recruitment 2016**

Navodaya Vidyalaya Samiti (NVS), invites Application for the post of 2090 Assistant Commissioner, Principal, PGTs, TGTs, Miscellaneous Teachers and TGTs (III Language) at Navodaya Vidyalaya Samiti, Hqrs. and its Regional Offices. Apply Online before 09 October 2016.

Job Location : All India

**Job Details :**

Post Name : Assistant Commissioner
No of Vacancy : 02 Posts
Pay Scale : Rs. 15600-39100/-
Grade Pay : Rs. 7600/-

Post Name : Principal
No of Vacancy : 40 Posts
Pay Scale : Rs. 15600-39100/-
Grade Pay : Rs. 7600/-

Post Name : Post Graduate Teachers (PGTs)
No of Vacancy : 880 Posts
Pay Scale : Rs. 9300-34800/-
Grade Pay : Rs. 4800/-

Post Name : Trained Graduate Teachers (TGTs)
No of Vacancy : 660 Posts
Pay Scale : Rs. 9300-34800/-
Grade Pay : Rs. 4600/-

Post Name : Miscellaneous Categories Teachers
No of Vacancy : 255 Posts
Pay Scale : Rs. 9300-34800/-
Grade Pay : Rs. 4600/-

Post Name : TGT (Third Language Teachers)
No of Vacancy : 235 Posts
Pay Scale : Rs. 9300-34800/-
Grade Pay : Rs. 4600/-

**Eligible Criteria for NVS Recruitment:**

Educational Qualification :
For Assistant Commissioner : Master's Degree in Humanities/ Science/Commerce from a recognized institution/University and Persons holding analogous posts or post of Principal.

For Principal : Master's Degree from a recognized university with at least 50% marks with B.Ed. or equivalent teaching degree and Persons working in any of the Govt./Semi Govt./ Govt. Recognised/CBSE affiliated Sr. Secondary (10+2) schools/Inter college.

For Post Graduate Teachers (PGTs) : Two Year Integrated Post Graduate M.Sc. Course from Regional College of Education of NCERT in the concerned subject with at least 50% marks in aggregate. OR Master's Degree from a recognized university with at least 50% marks in the concerned subject and B.Ed. or equivalent qualification from a recognized University for all the above PGT posts except Information & Technology.

For Trained Graduate Teachers (TGTs) : Four years integrated degree course of Regional College of Education of NCERT with at least 50% marks in the concerned subject as well as in the aggregate. OR A Bachelor's Degree or equivalent from a recognized University with 50% marks or above in aggregate as well as in the concerned subject and B.Ed. or equivalent from a recognized University and Should pass Central Teacher Eligibility Test (CTET) conducted by CBSE

For Miscellaneous Categories Teachers : University degree in Library Science from a recognised institution OR Graduation with One-year Diploma in Library Science from a recognised Institution OR Bachelor's degree in Physical Education from a recognised institution. OR D.P.Ed. from a recognised university/ Institution.

For TGT (Third Language Teachers) : Four years integrated degree course of Regional College of Education of NCERT with at least 50% marks in the concerned subject as well as in the aggregate OR A Bachelor's Degree or equivalent from a recognized University with 50% marks or above in aggregate as well as in the concerned regional language as an elective subject at degree level and B.Ed. or equivalent from a recognized University and Should pass Central Teacher Eligibility Test (CTET) conducted by CBSE.

Nationality : Indian
Age Limit : As on 31.07.2016

For Assistant Commissioner : 45 years
For Principal : 35 to 45 years
For Post Graduate Teachers (PGTs) : 40 years
For All Others Posts : 35 years
Age Relaxation :

For Scheduled Caste / Scheduled Tribe : 05 years
For Other Backward Classes : 03 years
For Women (All Category) except for the post of Assistant Commissioner and Principals : 10 years
For Persons with disabilities (including women) : 10 years

**Selection Process :** Candidates will be shortlisted on the basis of their performance in written examination and interview.

**Application Fee :**
Candidates have to pay Rs 1500/- for Assistant Commissioner & Principal and Rs.100/- for All Others Posts through the prescribed link at online application or Challan. No fee is required to be paid by candidates belonging to SC / ST / PH categories and Women candidates.

**How to Apply NVS Vacancy :** Interested & Eligible candidates may Apply Online through the website www.nvshq.org or www.mecbsegov.in from 10.09.2016 to 09.10.2016.

**Important Dates to Remember :**

Starting Date For Submission Of Online Application form : 10.09.2016
Last Date For Submission Of Online Application form : 09.10.2016
Last Date to Submit Fee in Bank through e challan : 14.10.2016
Date of Written Test (Tentative) : Month of November / December, 2016

**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://www.mecbsegov.in/cbse/nvs/Rect%20Advt%2025.08.16.pdf
Apply Online : http://www.mecbsegov.in/cbse/nvs/Home.php